## কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... – ইদা বি ৱেলস –



ফত্তবা তৌবনি হায়বা মীওইবু অচুম অরান থীদনা নৎত্রগা ৱায়েল তৌদনা খুদক্তা ময়াম চঙদুনা হাৎপা (লিঞ্চিং)গী মায়োক্তা কেম্পেইন তৌখিবী জর্নেলিষ্ট সিভিল রাইটস অমসুং ৱিমিন্স এক্টিভিষ্ট ইদা বি ৱেলস স্লেভরিগী চৎনবী লৈরিঙৈ কুমজা ১৮৬২গী জুলাই ১৬তা হোলি স্প্রিংস মিসিসিপ্পিদা পোকখি। মহাক্কী অপোকপা উ শুবা মীশক অমনি অমসুং অপোকপীনা কুক অমনি। মখোয় মিং বোলিং কৌবা নুপা অমনা লোইবা মীনাইশিংনি। মখোয়বু মিং বোলিংনা নীংথিনা তৌবীখি অদুবু মীনাইদি অদুম ওইরম্মী। মখোয় মহাক্না হায়বা খুদিংমক তৌগদবনি অমসুং মখোয়গী ইমুংগী মীওই অমা মতম অমদা হেক্তা অতোপ্পা মীনাই লোইবা অমদা য়োনবা য়ারম্মী। ইদা পোক্লবা মতুং মতম ইকুই কুইদনা প্রসিদেন্ট অব্রহম লিঙ্কননা ইমানসিপেসন প্রোক্লেমেসন ইস্যু তৌখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবগী হাইরুবদি মসিনা ইদা অমসুং মহাক্কী ইমুংবু মনিং মখা তমহনখি। অদুম ওইনমক ইদাদি মিসিসিপ্পিদা লৈরম্মী। সিভিল ৱার মতুংদা ইদা অমসুং মহাক্কী ইমুং মনিং মখা তমখি।

ইদানা চহী ১৬ খক শুরকপা মতমদা মহাক্কী অপোকপা অমসুং অপোকপী অনীমক য়েলো ফিভরনা নাদুনা শিখি। ইমুংগী মতেং পাংনবগীদমক্তা মহাক ওজা ওইখি। অসুম্না মহাক্না মচিন-মনাওশিং য়েংশিনখি। মরকসিদা মহাক্না কালেন্থা মনুংদা কোলেজ কোর্সশিং তমশিনখি অমসুং লোকেল জর্নেল অমদা ইবা হৌখি। নোংমা মহাক্না ফর্ষ্ট টিকেট লৈরগা ত্রেন তোংলিঙৈদা কন্দক্টর অদুনা মহাকপু অঙৌবশিংগী মফমদুদগী হোংদোক্লবা হায়খি। মহাক্না য়াদ্রবসু নমদুনা মহাক্কী সিট হোংহনখি। মদু ফজমন্দে হায়দুনা মহাক্না ত্রেন কম্পেনি অদুগী মায়োক্তা কেস থাঙ্গৎপদা মঙোন্দা দোলর ৫০০ গী শেনফম অমা পীনবা কোর্টনা কম্পেনিদা খঙহনখি। লাইবক থীবদি ৱারেপ অদু টেন্নেসী সুপ্রীম কোর্টনা অমুক চৎনহনখিদে।

কুমজা ১৮৯১ দা ইদাগী মরুপ তোম মোস অঙৌবা নুপা অমা হাৎপগী মরালদা ফাখি। তোমগী গ্রোসরি ষ্টোর অঙৌবশিংনা থুগায়নবা হোৎনরকপদা মহাক্না মদুদগী ঙাকথোকচনবা হোৎনখিবনি। তোমগী ৱাখলদা জজনা মহাকপু ঙাকপী শেনবীগনি হায়না থাজখি। তৌইগুম্বসুং ৱায়েল চথদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাকপু মোব অমনা হাৎখি। অসুম্না ৱায়েল তৌদনা হাৎপা লিঞ্চিংগী মায়োক্তা ইদানা মহাক্কী পেপরদা ইখি। মসিনা মরম ওইদুনা অঙৌবশিংনা মঙোন্দা শাওখি। মথ্বাই কঞ্জনবগীদমক্তা ইদা ন্যু য়োর্কতা চেনখি। মীয়াম্না মেম্ফিসতা লৈবা ফ্রী স্পিচকী ওফিসশিং থুগায়খি। ন্যু য়োর্কতা মখা তানা লৈদুনা মহাক্না ন্যু য়োর্ক এজ হায়বা পাউচে অমদা মহাক্না লিঞ্চিংগী মরমদা আর্টিকল কয়া ইখি। তশেংনমক মহাক্না লিঞ্চিংগী থৌদোক হন্থহনখি। মহাক কুমজা ১৯৩১ গী মার্চ ২৫ দা কিদনি নাবদগী চিকাগোদা শিখি।

## মালেমগী অঙকপাশিং

## নীংশিং দলালগী তম্পাক

নীংশিং দলালগী তম্পাক (মোন্যুমেন্ট ভেল্লি) হায়বসি কোলোরাদা প্লাটো (য়ুনাইটেদ ষ্টেটস) দা লৈবা অচৌবা লৈঙোইবুং (সেনষ্টোন) গী ব্যুট চরোংনা মপুঙ ওইবা শক্তম ওইবা লমদমনি। মসিদা লৈরিবা খ্বাইদগী চাওবা সেনষ্টোন ব্যুট অদু লৈমায়দগী ফুট ১০০০ (মিটর ৩০০) ৱাংই। মমি এরিজোনা-সুটা লাইন (চাউরাক্না নোর্থ ৩৮.৫৯ ৱেষ্ট ফুট ১১০.৬ কোওর্দিনেট নোর্থ ৩৮.৫৯ ৱেষ্ট ১১০.৬) তা কোর্নর মরি (জার কোর্নর) এরিয়া মনাক্তা লৈ। তম্পাক অসি নাভাজো নেসন রিজার্ভেসনগী মনুং চন্না লৈ অমসুং য়ু এসকী হায়ৱে ১৬৩ শীজিন্নদুনা চঙবা য়াই।

মোন্যুমেন্ট ভেলি অসি কুমজা ১৯৩০ গী মতুং চহী খরদগী হৌনা সিনেমা য়াওনা মিদিয়াগী মওং কয়াদা উথোক্তুনা লাকখি। দিরেক্টর জে ান ফোর্দনা মফম অসিবু মহাক্কী মমিং চৎখিবা ফিল্ম কয়াদা শীজিন্নখি। ফিল্ম ক্রিটিক কেইত ফিপনা অসুম্না হায়, "লীশাং শিৎনা চহী কয়ামুক সিনেমা য়েংলক্লবশিংনা অমেরিকান ৱেষ্টকী ৱাখল তৌরকপা মতমদা স্কৱার কিলোমিটর ১৩ (স্কৱার মাইল ৫) গী লমদম অসি নীংশিংহল্লি নৎত্রগা মীৎতা উরকই"।

মোন্যুমেন্ট ভেলি অসি কোলোরাদা প্লাটোগী শরুক অমনি (জিওগ্রাফি অমসুং জিওলোজি)। তম্পাক অসিনা ৱাংখৎপগী চাং অসি সি লেভেলদগী ফুট ৫০০০ দগী ৬০০০ কী রেঞ্জদনি। লৈমায়দু অয়াম্বনা কটলর গ্রুপকী মিল্ট ষ্টেন ওই নৎত্রগা তম্পাক অসিদা থেক-খোয়না চেনবা তুরেলশিংনা পৈশিল্লকপা কটলর গ্রুপতগী পুরকপা লৈঙোই ওই। তম্পাক অসিদা উরিবা তশেং-তশেংবা অঙাঙবা মচু নুংশিৎ ৱাইরবা মিল্টষ্টোন্দা য়াওবা আইরন ওক্সাইদনি। মসিদা লৈরিবা খরা মুশিনবা অমসুং হিগোক মচুগী ৱাওথাওনবা নুংশিৎনা মেঙ্গানিজ ওক্সাইদনা থোকহনবনি।

ব্যুটশিং অদু তশেং-তশেংনা মরোল নাইনা শেমগৎলগা লৈ। খ্বাইদগী মখা ইথং থংবা মরোল অদু ওর্গান রোক মেলিনি, ময়ায় থংবদুনা তেলি সেনষ্টোননি অমসুং খ্বাইদগী মথক থংবা মরোল অদুনা মিনকোপি ফোর্মেসননি। মসিগী মথক্তা সিনারম্প কোঙ্গোলমারেটনা কুপ্লগা লৈ। মমিং লৈরবা "আই ওফ দ সন" য়ালনা তম্পাক অসিদা অচৌবা সেনষ্টোনগী ষ্ট্রকচরশিং লৈ।

কুমজা ১৯৪৫ দগী ১৯৬৭ ফাওবা তম্পাক অসিগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা মোন্যুমেন্ট অপৱার্পতা য়ুরেনিয়ম তানখি। সিনারেম্প এরিয়াদা চাইরগা ফংখি। বানাদিয়ম অমসুং কোরিসু য়ুরেনিয়মগা লোয়ননা মফম অসিগী মফম খরদা পৈনিশ-পৈশিল্লগা লৈবা থেংনৈ।

মোন্যুমেন্ট ভেলিদা টুরিজম: তম্পাক অসি (ওফিসিয়েল্লি ওইনা) নেস্নেল পার্ক অমগা মান্নবা নাবাজো নেসন হায়রগসু খঙনবা মোন্যুমেন্ট ভেলি নাবাজো ত্রাইবেল পার্ককী অকোয়বা লমগী শরুকশিং য়াওবা অচৌবা এরিয়া অমনি। খুদম ওইনা মোন্যুমেন্ট ভেলিগী এরিয়াগী মনুং চন্না ওলজ াটোসু লৈ। কোয়বা লাকপশিংনা চঙবগী ফী পীথোক্লগা কিলোমিটর ২৭ কী লম্বী (পুং ২-৩) দা পার্ক অদু ফাওনা গাড়ী থৌজিনবা য়াই। মিষ্ট্রি ভেলি অমসুং হন্টস মেসাগুম্বা মোন্যুমেন্ট ভেলিগী শরুকশিংদি গাইদ য়াওগা কোয়গদবনি। মোন্যুমেন্ট ভেলিগী ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভমদি লৈকংলাগী ঈশিং-নুংশিৎনি। নিংথমথাদা ফজনা ঈংস অদুগা কালেন্থাদা য়াম্না শাই। কালেন্থাগী মফম অসিগী খুশাদু কংবগী মওং অমসুং অৱাংবা অল্টিচুদকীসু মখা পোল্লি। তম্পাক অসিদা চহী খুদিংগী ওইনা চাংচত্তা নুমীৎ ৫৪ সেলসিয়স দিগ্রি ৩২ গী চাংদা শাজরবসু কালেন্থাদা খ্বাইদগী শাবা চাং অসি সেলসিয়স দিগ্রী ৩৮ দগী ইহেন হেন্দে। কালেন্থাগী অহিংশিং নুংঙাইবা মওং অমদা ঈংই অমসুং নুংথিলগী মতমদা মহৌশানা উন ওনবগী চাংদি য়ৌদে। ঈংলবা নিংথমথাগী মতমদা সেলসিয়স দিগ্রী মাইনস ১৮ গী মকা ওইবসি তাঙই।

## ব্যুটি : ষ্টাইলিষ্ট ওইবগা লোয়ননা মীয়াম মমাংদা স্মার্ট ওইবা পাল্লবদি টিপশিং অসি ফোলো তৌবা য়াই



নুপী খুদিংমক কে-মৌবা পাম্মী হায়বা ৱাফম অসি লাল্লি হায়বদি য়ারোই। অদুগা নুপাসু ষ্টাইলিষ্ট ওইদুনা স্মার্ট ওইবা নুপা পুম্নমক্না পাম্নে হায়বসিসু লাল্লোই হায়না খল্লি। মরম অদুনা ষ্টাইলিষ্ট লুক ওইহনবা পাম্বা নুপাশিংগীদমক করম্না ষ্টাইলিষ্ট মীয়ামদা উহনবা ঙমগনি হায়বা কান্নরবা প্রাক্টিকল ওইবা টিপস কয়া অদোমগীদমক পুদুনা লাক্লি। লোয়ননা শুপ্নগী অতাংবা পোৎচৈ অমদি ফিরোল শেৎপা অমদি কা হেন্না ষ্টাইল তৌবনসু হেক্তা ফজবা এট্রেক্টিভ ওইবা লুক হায়বদুসু ওইবা নত্তে। মরম অদুনা শেৎ-চাবা, হায়র ষ্টাইল অমদি খোংউপ লৈবা মতমদা তঙাইফদনা ৱাফম খরদি চেকশিন্নিংঙাই ওই।

ইচম চম্বা লুক : নিংশিংবিগদবা ৱাফম অমনা কা হেন্না মরিং মরাংবা অমদি ষ্টাইলনি হায়দুনা কা হেনবা ফেসন তৌদুনা ফজনবা হোৎনবা মতম কুইনা চৎপা য়ারোই। মরম অদুনা অহানবা হেক উবদা মীয়াম্না ষ্টাইলিশ ওইনা উদ্রগসু তুং কোয়না নহাক্কী তুংদসু মীয়াম্না ইচম চম্না ষ্টাইলিষ্ট ওইনা ফজৈ হায়বা পাল্লগদি চম্না, ইংনা ফজবা ফেসনগী ফন্দা শীজিন্নবিয়ু।


ফিটনেসকী ওইনা চেকশিনবা : অদোম্না ফনা তাংবা অমদি ফনা ফজবা ফিরোল শেৎ-চারবসু অদোমগী ফিজিকল ফিট ওইদ্রবদি মদুগী কান্নবা লৈরোই। হকচাং ফিটপু ওইরবদি ইচম চম্বা দ্রেস শেৎলবসু মপুংফানা ফজবা হায়বদু ওইগনি।

ষ্টাইল খরা হোংবা ফৈ : ফজবা ষ্টাইল ওইরগসু মতম পুম্নমক্তা ষ্টাইল অদুমক হোংদনা লৈরগদি বোরিং চুরকপা হায়বসি শোয়দ্রবনি। মরম অদুনা মতম-মতমগী ওইবা সিজনেবল ওইবা ষ্টাইল হোংদোকপগী তঙাইফদবা লৈ। মদুনা বোরিং চুদবা ফ্রেস ওইবা লুক অদু পীবা ঙমগনি।

অপীক-অপীকপা ৱাফমশিংদসু চেকশিনবা ফৈ : শেৎলিবা খোঙ্গ্রাও অমদি লিৎলিবা ফুরিৎকী মচু চুনহনবনা য়াম্না ফজবা হায়বদু ওইগনি। লোয়ননা অদোম্না লিৎলিবা ফুরিৎকী কুদাম ফাওবা করম্বা মচুগী কুদামনো হায়বা ফাওবা কুপ্না য়েংশিনবা ফৈ মদুনা মেটচিং ওইবা হায়বদু ওইগনি।

শোপিং ইথন্তা তৌবিগনু : তঙাইফদনা চৎমিন্নবা লৈত্রবদি নোংমা ফাদোক শোপিং ইথন্তা চৎপা য়াই অদুবু য়ারিবমখৈ শোপিং তৌবা চৎপা মতমদা কনাগুমবা মরুপ মপাং খরগা পোৎ চৈ লৈবা চৎমিনবা ফৈ। অদুবু চেকশিনগদবা অমনা চৎমিন্নগদৌরিবা মীশক অদু অদোমগী দ্রেসিং অমদি ষ্টাইলগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম পিবা ঙম্বা মীশক ওইহনবিয়ু।

কোই অমদি শমগী ফজবা কটিং তৌবা : নুপাশিংগী লুক ফজহনবদা নুপাশিংগী কোই অমদি শম ককপগী ষ্টাইলগী মখাসু য়াম্না পোল্লি। মরম অদুনা কোই অমদি শম ককপদা মায়থোংগী মতুংইন্না ফজগদবা কোই খাকপা, ককপা অমদি শম ককপগী তঙাইফদবা লৈ।







Title: Pokemon:- Yveitai
By: R.K. Amitra Singh
Class: V Sec: A Roll No. 17
School: Kids' Foundation




Title: Soldiers And Our National Flag
By: Beenita Bhattarai
Class: IV Sec: B Roll No. 44
School: Kids' Foundation



Title: Landscap
By: Giachuilung
Class: IV Sec: Roll No.
School: Maheilen Education Centre, Haotal



Title: Mother & Child
By: Ngasepam Manshita Devi
Class: IV Sec: B Roll No. 63
School: Nirmalabas High School




Title: Scenery
By: Pratibha
Class: K.G. Sec: A Roll No. 08
School: Smart Universal Academy



Title: Heliosprey
By: Rajkumar Mason
Class: IV Sec: A Roll No. 15
School: Kids' Foundation



Title: Penguin
By: Angom Shamu Meetei
Class: III Sec: B Roll No. 24
School: Kids' Foundation




Title: Scenery
By: Shantosh Wangkheimayum
Class: V Sec: Roll No. 48
School: Nongpok Maheikol




Title: Global Warming
By: M. Suraj
Class: VI Sec: B Roll No. 13
School: Maheilen Education Centre, Haotal



Title: A Child With Fruits basket
By: Singajit
Class: III Sec: A Roll No. 24
School: Smart Univrsal Academy



Title: A Horse
By: Y. Silviya Devi
Class: IV Sec. Roll No. 29
School: Standard Roberth Higher Secondary School



Title: Scenery
By: Lisham Sheivata Devi
Class: III Sec: F Roll No. 13
School: Tiny Tots Unique School